# ‘বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা এ এ পিগী মায়োক্তা পুন্না থবক তৌমিন্নরি’



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : গুজরাটতা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা এ এ পিগী মায়োক্তা পুন্না থবক তৌই হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা আম আদমি পার্টিগী নেসনল কনভিনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়াম্না লায়বা লোনদা হায়রগদি বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস অসি মতৈ মনাওনি। গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরিবা অসি বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস খক্তনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিট শাহনা ঙরাং ফোঙদোকখি। মসিগা চপ মান্ননা কোংগ্রেসনসু ফোঙদোক্লি। শম্না হায়রবদা কোংগ্রেস পার্টি অসি বি জে পিগী নুপীনি। বি জে পিগী পোকেটতা কোংগ্রেসপু হাপ্তুনা চৎলি।

গুজরাটতা বি জে পিনা চহী ২৭ লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা অসিদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না কৈদৌঙৈ অহোংবা পুরক্কদগে হায়দুনা ঙাইরগা লাক্লি। অদুবু শাংলবা মতম অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা অহোংবা অমত্তা পুরকপা লৈতে। মসিনা মরম ওইরগা গুজরাটকী মীয়াম্না বি জে পিদা থল্লম্বা থাজবা মাঙখ্রে। ওপোজিসনদা লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিদসু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থাজবা থমদ্রে। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক অকনবা মওংদা মিৎয়েং চঙলক্লিবা অসি মহাক্লা লুচিংলিবা আম আদমি পার্টিদনি। পার্টি অসি খক্তনা গুজরাটকী মীয়াম্না পাল্লিবা অহোংবশিং পুরকপা ঙমগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটতা লৈরিবা টি ভি চেনেলশিংদা পাঙথোকপা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা খন্ন নৈনবগী থবক থৌরমশিংদা এ এ পিগী মীহুৎশিং য়াওহন্দনবা বি জে পিনা টি ভি চেনেলশিংদা কিহন খঙহনবগী থবক চথুরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা দিবেট অমদসু কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী মতাংদা পুথোক্তুনা ৱা ঙাংনখি। অদুবু হায়রিবা অদুদসু এ এ পিগী মীহুৎ অমত্তা য়াওহনখিদে হায়রি।

অমরোমদা, গুজরাটকী এ এ পি চীফ মিষ্টির কেন্দিদেট ইসুদান গাধভিনা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটতা লৈরিবা কোংগ্রেসকী কেন্দিদেটশিংনা মতম পুম্বদা বি জে পিগা লোয়নরগা থবক তৌরি। মসিনা ষ্টেট অসিদা অওনবা পুরকপা ঙমদবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

## গুজরাটকী হান্নগী মিনিষ্টর জয়নরায়ন পার্টিদগী তোকখ্রে

অহমদবাদ, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : গুজরাটকী হান্নগী মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী ভেটেরান লিদর জয়নরায়ন ব্যাস ঙসি রুলিং পার্টি অসিদগী পোথারে হায়না লাউথোরকখ্রে।

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট মীখলগা মরী লৈননা রুলিং পার্টি বি জে পি য়াওনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং অকনবা মওংদা পায়খৎনরক্লিঙৈ মরক অসিদা বি জে পিগী লুচিংবা অমা পার্টিদগী তোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা পার্টি মনুংদা চরাংনবা কয়া থোকহল্লে হায়রি।


অমরোমদা, গুজরাট বি জে পিগী প্রসিদেন্ট সি আর পটিলদা পীশিনখিবা জয়নরায়নগী রেজিগনেসন লেটর অদুদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না বি জে পিগীদমক মহাক চহী ৩০ রোম থবক তৌদুনা লাকখ্রে। পার্টিগী আইদোলোজি মতুংইন্না মতম শাংনা মহাক্লা থবক তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু ইশাগী ওইবা তোঙানবা মরম খরদগী মহাক পার্টিদগী পোত্থানবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

## ট্রক অমসুং ওটো রিক্সো থোমজিন্নবদা নুপী ৭ শিরে

বিদার, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : ঙরাং নুমিদাং কর্নটকাগী মনুংচনবা বিদারগী খুঙ্গং অমদা ট্রক অমসুং ওটো রিক্সো থোমজিন্নবগী থৌদোক অমদা নুপী ৭ শিখিবগা লোয়ননা ১১ অশোক অপন নঙখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদু শিন্মী ঙাক্তনি। মখোয় হান্নগুম থবক শুবা চৎলুরবা মতুং ওটো রিক্সো অদুদা তোংলগা ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা বেমলাখেদা গভর্ণমেন্ট স্কুল মনাক্তা ট্রক অমনা মখোয়না তোংলকখিবা ওটো রিক্সো অদুদা থোমজিল্লকখিবনি। থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা নুপীশিং অদুদি পরভাথি (৪০), প্রাভাভাথি (৩৬), গুন্দম্মা (৬০), য়াদম্মা (৪০), জগম্মা (৩৪), ঈশ্বরম্মা (৫৫) অমসুং রুগমিনিবাই (৬০) নি। থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওই ১১ গী মনুংদা গাড়ী অনী অদুগী দ্রাইভরশিং য়াওরি। মখোয় অনীগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনদি লাইবক থিবা থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদি হায়রি।

## ঈ দিনা মনিস সিসোদিয়াগী পর্সনেল এসিষ্টেন্ট ৱাহং পাউহং চথখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : দেল্লি লিকর পোলিসি স্কামগা মরী লৈননা দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ময়ুমদা ঈ দিনা র‍্যেদ চথুবা মতুং মহাক্কী পর্সনেল এসিষ্টেন্ট দেবেন্দ্র শর্ম্ম এলাইস রিংকুবু ঈ দিনা ফাজিল্লগা ৱাহং পাউহং চথখি হায়না মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মনিস সিসোদিয়াগী পি এ দেবেন্দ্রগী ময়ুমদা চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা চিংনবা য়াবা খরা ফংখ্রবা মতুং মহাকপু কষ্টদিদা থমদুনা ঈ দিনা ৱাহং পাউহং চথুরি। অদুম ওইনমক মহাকপু ফোর্মেল ওইনা ফাজিনবদি লৈত্রি হায়রি। অমরোমদা, মনিস সিসোদিয়াগী পি এ দেবেন্দ্র শর্ম্মনা হৌজিক চথুরিবা ৱাহং পাউহংগী থবক্তা কোওপরেট তৌদে হায়না ঈ দিনা ক্লেম তৌরক্লি।

দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী পি এবু ঈ দিনা সমন তৌরকপা লৈখিদে। সমন তৌরকপগী মহুত্তা পি এ দেবেন্দ্র ঈ দিনা নমফুদা ফারগা পুখিবনি। মমাঙ থাদসু ঈ দিনা মহাক মশাগী ময়ুমদা অরানবা এফ আই আর অমগী মতুংইন্না বেঙ্ক লোকরশিং ফাওবা চেক তৌখিবগা লোয়ননা খুঙ্গংদা লৈরিবা মহাক্কী য়ুমদসু থি হুম্বগী থবক চথুখি। অদুবু মদুদা ঈ দিনা করিগুম্বা অমত্তা ফংবা ঙমদবদগী মায়থিবা নঙদুনা হনখিবনি। অদুগা ঙসিনা মহাক্কী পি এগী ময়ুমদা ঈ দিনা র‍্যেদ চথুরি। র‍্যেদ অদুদা মহাক্কী পি এনা অরানবা তৌই হায়বগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমদ্রবসু মহাকপু নমফুদা ফারগা ময়ুমদগী পুখিবনি। খুদিংমক অসি লৈবাক অসিগী ষ্টেট ষ্টেটশিংদা মথং মথং পাঙথোরক্কদৌরিবা মীখলদা চাওনা মায়থিবা নঙলগনি খনবদগী বি জে পিনা পায়খৎলকখিবা থবক থৌরম ঙাক্তনি। হৌজিক হৌজিকসু ঈ দিনা মহাক্লা তৌবা থবক খুদিংমক য়াম্না চেকশিন্না মোনিটর তৌরি।

আম আদমি পার্টিনা করিগুম্বা মখলগী স্কাম অমত্তা থোকহনখিবা লৈতে হায়না ক্লেম তৌরবসু হন্দক গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলদা এ এ পিবু মায়থিবা পীনবা অমদি মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা বি জে পিনা সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরকপনি হায়রি। পনবা য়াবদি দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা মহাক্কী কোলিগ মনিস সিসোদিয়াবু ইলেক্সন মমাঙদা ফাজিনখিবা য়াই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

